HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



থৌবাল দিষ্ট্রিক্তা পাঙথোকখিবা ৭৮শুবা লৈবাক অসিগী নীংতম নুমিৎকী থৌরমদা শরুক য়াখিবশিংবু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অহন্থেম সুভাসনা তৌবীমল খঙবা উৎপগী শকখঙ চে খূৎশিন্নখিবা

লৌশিং পূক্কে : মীরোল্লিংঙৈদা ব্লদ সুগর ৱাংখৎলকপগী মতাংদা... ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ লাইরিক হৈবগী চাং হায়গদ্রা, লাইরিক তম্বগী চাং হায়গদ্রা
মণিপুরদা তাইবঙ মী ওইনা পোক্লস্বসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ 'উমংলাইদা লন্নাইগী ৱাফম পুশিনবা য়ারোই'
জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখ্রবা মতুং ... ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ টি দব্লিয়ু ৱাই এল এনা বি ৱাই এস দব্লিয়ু সীবু ...

অদুঙৈ কুমজা ২০০৪গী ওগষ্ট ১৫দা অমুবা লো - অফস্পাগী মায়োক্তা হ্যুমেন টোর্চ ওইদুনা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জনগী মীতমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা



Vol. 48, Issue No. 135 | থাংজ, থৱানগী ১২নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, August 17, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চ্যেরপর্সনদা মোরেগী কম্যুনিটিশিংগী ৱাকৎ

# মে ৩, ২০২৩দগী ইম্ফালদগী লল্লোন ইতিক তৌবা মীওই অমত্তা লাক্তবনা খম থেংনা ৱারে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা লোইশিন্দ্রিবা মণিপুরগী লান অসিনা ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোন খম থেংনা শোকহল্লবা মফমশিংগী মনুংদা মণিপুরগী ঙমখৈদা লৈবা খ্বাইদগী মরু ওইবা লল্লোন ইতিক্কী মফম অমা ওইরিবা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোরে টাউনগী ফীভমসু অদুক্কী মতিক শোকচিল্লক্লে।

ঙসি মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী) গী চ্যেরপর্সন জষ্টিস য়ু বি শাহনা লুচিংবা কম্মিসনগী টিম অমনা বোর্দর টাউন অসিদা হকথেংননা চৎতুনা মফম অসিগী মীয়ামগা উনরুবদা কম্যুনিতি পূম্নমক্কী মীওইশিংনা হৌখিবা চহীগী মে ৩দগী মোরেদা ইম্ফাল লোমদগী লল্লোন ইতিক তৌবা মীওই অমত্তা লাক্তবনা লল্লোন ইতিক তৌফম অমা ওইরক্লিবা মোরে টাউনদা লৈরিবা ফূরুপশিংগী শেন্মীৎলোন খম থেংনা শোকচিল্লে



এম ঐচ আর সীগী চ্যেরপর্সননা মোরেগী ইনমেটশিংদা অথুম-অহাও য়েন্থোকপা

অমসুং হিংবদা অৱাবা অমা ওইরে হায়না পাউদম্লকখ্রে হায়রি।

...মখা লমায় ৩ কলম ৫

### দি এম য়ুগী ৱাথোক হায় কোর্ট য়ৌরে

# টিচিং অমসুং নন টিচিং ষ্টাফশিংগী এপোইন্টমেন্ট ওর্দর পীবগী থবক কোর্টনা 'কেপ্ট ইন অবেয়ন্স' দা থমখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস) :** দিসেম্বর ১৯, ২০২০দা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ৮৮ লৌনবগী এদভর্টিজমেন্ট থোকখ্রবা মতুং রিক্রুটমেন্ট অসিগী রিজল্ট লাউথোক্তবগী ৱাথোক কয়া লাকপদগী চহী ৪ ফাজিল্লক্কদৌরবা তাঞ্জা ফেব্রুৱারী ২৯, ২০২৪দা লাউথোকখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না মমাঙ থাগী ১৮দা রিক্রুটমেন্ট অদুগী রিজল্ট অমুক হন্না লাউথোরক্তুনা অতোপ্পা কেন্দিদেট ৬০বু সবজেক্ট/দিপার্টমেন্ট ১৬তা সিলেক্সন তৌরে হায়রকপগা লোয়ননা মখা তানা ৱাথোকশিং থোরকপগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকপা পিটিসন অমগী মতুংইন্না মহৈকোল অসিগী টিচিং অমসুং নন টিচিং ষ্টাফশিংদা ঙসি (ওগষ্ট ১৬, ২০২৪) দগী এপোইন্টমেন্ট ওর্দরশিং পীরবা য়াই হায়না থা অসিগী ১৪দা রেজিষ্ট্রার ডা. আর কে জোতিননা থোকখিবা নোটিস অদু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা 'কেপ্ট ইন অবেয়ন্স' তা থমখ্রে।

ৱাকৎ অসি রিক্রুটমেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা অমসুং য়াহৌদবা মীওই ৪/৪ পুন্না ৮না পিটিস্নরশিং ওইদুনা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন) অমদি দি এম য়ুগী রেজিষ্ট্রার অমসুং সিলেক্সন ফংলবা কেন্দিদেট ৪৬কী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

ৱাকৎ অসি ঙসি জষ্টিস এ গুনেশ্বরগী বেঞ্চনা দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৫৭০ ওফ ২০২৪গা লোয়ননা এম সী (দব্লিয়ু পি-সী) নম্বর ৪৭২ ওফ ২০২৪ ওইনা লৌখৎখি।

কোর্টনা মেটুর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নর ৮গী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### ইমর্জেন্সি সর্ভিস নত্তনা অনা লায়েংগী থবকশিং ঙসিদগী লেপকদৌরি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৯দা কোলকটাগী আর জি কার মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা পি জিগী নুপী মহৈরোয় অমবু ইকায়খুম্নবা মাঙহল্লবা মতুংদা তমথীনা হাৎতোকখিবা থৌদোক অমদি মসিবু য়ানীংবদা ফোঙদোক্তুনা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা মীওই কাঙবুনা ডাক্তরশিংদা এটেক চথরকপা অমসুং হোস্পিটালগী পোৎ চৈথুগায়রকপগী মায়োক্তা হয়েং অয়ূক পুং ৬তগী মথং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ৬ ফাওবা মণিপুরদা ইমর্জেন্সি সর্ভিস নত্তনা অনা লায়েংগী থবকশিং লৈবাক পূম্বা লেপ্পগনি হায়না ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (আই এম এ ) না লাউথোকখ্রে।

...মখা লমায় ৩ কলম ৫

### বরাক তুরেলদা দ্রাইভর লুপখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস) :**

ঙরাং নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ রোম তারকপদা জিরিবামদগী ইম্ফাল তম্না লাকপা ওইল টেঙ্কর এ এস-২৫/বি সী-৫২৯৯ বরাক এরিয়াদা য়ারক্তবদগী গাড়ী অসিগী বিজয় নেপালি কৌবা দ্রাইভর অমা কুমথরগা বরাক তুরেলদা ইরুজনবা থৌরাং তৌরুবদা তুরেল অসিগী ঈরৈনা চেন্থখিবদগী ঙসি ফাওবা ফংবা ঙমখিদ্রি।

### য়ূম ৩ মৈ চাকখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস) :**

ঙসি অয়ূক অঙনবা পুং ৩.৪০ রোম তারকপদা ওক্রম চুথেক কিত্না পনুংদা লৈবা নিঙোম্বম লন্দন (৪৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন নিলোগী য়ূম ইলেক্ট্রিক শোর্ট সর্কিটতগী হৌরকপা ওইগনি চিংনবা মৈনা চাকখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৮

### লাইবক অমসুং লৱাইদা য়োৎপী য়ৈশিল্লম্লে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস) :**

ঙরাং অয়ূক পুং ১০ রোম তারকপদা চুড়াচান্দপুর পি এসতগী কা নোংচুপ লোমদা কিলোমিটর ৬ লোম লাপ্পা লৈবা তুইনোম খুলদা মখোঙসু পেরলাইসিস তৌদুনা লৈরবা এম লালথোওম গাংতে (৫৪) কৌবা অহল ...মখা লমায় ৩ কলম ৮

### দ্রাইভর, হেন্দিমেন ফূরগা শেল মুলহৌববু কন্দেম তৌরক্লি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস) :**

উমাথেল মনাক্কী লৈঙাং চীং লমখাইদা ত্রক দ্রাইভর অমদি হেন্দিমেন ফূরগা শেল মুলহৌবগী থৌদোক্কী মায়োক্তা উমাথেল মৈরা পায়বীগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মরী লৈনবশিংনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৮

### শুগুনু লম্বী পুং ৩৬কী ওইনা থিংজিল্লগনি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস) :**

ৱাবগাই কৈথেলদগীনা শুগুনু ফাওবগী লম্বী অসি শেন্বীনবা মমাঙথক্তা লৈঙাক্তা হায়জদুনা লাকখিবদা নত্তনা খোঙজং ফাওবা চঙশিল্লবসু শেন্বীরক্তবনা থা অসিগী ২০গী অয়ূক পুং ৬তগী পুং ৩৬কী ওইনা লম্বী পরিং অসি থিংজিনবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

# ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহল্লক্লবা পূন্না হোৎনমিন্নসি : সী এম

### মণিপুরদসু ৭৮শুবা নীংতম নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস) :** হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি লাইবক থীবনি হায়রদুনা মসিবু নাম্থোক্তুনা লাকপগা লোয়ননা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবগীদমক মীয়ামগা পূন্না হোৎনমিন্নসি হায়না ঙরাং মহৌশাগুম্না ষ্টেটকী থাক্তা অহানবা এম আরগী পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা লৈবাক অসিগী ৭৮লক শুবা নীংতম নুমিৎকী থৌরমদা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।



মহাক্না মখা তানা হায়, নীংশিংবা থোক্রবা মতমদগী মণিপুরদা শকখঙলবা ফূরুপ ৩৪না অমত্তা ওইনা খুন্দামিন্নরক্লি। মণিপুর অসি মীতৈ খক্তগী নৎত্রগা নাগা খক্তগী নৎত্রগনা ফূরুপ অমখক্তগী নত্তে। শকখঙলবা ফূরুপশিংগী মনুংদা তাঙ্খুল, মীতৈ, মীতৈ-পাঙল, বাইতে, জোমি, মার, সিমতে, পাওমাই, অনাল, ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# অমুবা লো- অফস্পাগী মায়োক্তা হ্যুমেন টোর্চ ওইখিবা অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জন নীংশিংখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস) :** অমুবা লোনি হায়নরক্লিবা অফস্পা মণিপুরদগী পূমলৌ লৌথোক্কদবনি হায়বা অকনবা খোঙজংদা মশানা মশাবু হ্যুমেন টোর্চ ওইদুনা থৱায়না পোন্থা পীরগা খোঙজং চঙশিনখিবা অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জনগী ২০লক শুবা লৈখিদবা নুমিৎপু ঙসি এম এস এফনা শীন্দুনা 'ষ্টুদেন্টস মার্টিয়র দম দে' ২০২৪ হায়না পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবা অথৌবগী মীতমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

বিষ্ণুপুরগী কিয়াম্বা নীংশিং শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা মপূং ওইবা থৌরমদা পোইরৈ লৈমরোলগী প্রসিদেন্ট এস মেমচা, অমুকোগী প্রসিদেন্ট নন্দো লুৱাং, কোহরগী চ্যেরমেন ফুলিন্দ্রো কোন্সম, অমোভাগী প্রসিদেন্ট ৱাই কুঞ্জরানি অমসুং এম এস এফকী প্রসিদেন্ট ঐচ রোসননা মরু ওইবা মীথুংলেনশিং ওইখি।

থৌরমগী মনুং চন্না শরুক য়ারখিবা মহৈরোয়শিংনা মিনট ২ তূমিন্না লেপ্তুনা অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জনগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

থৌরমগা মরী লৈননা এম এস এফকী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি হৌখিবা ইন্দিয়াগী নীংতম্বা নুমিৎ ওগষ্ট ১৫, ২০০৪দা চিংখৎখিবা মচু অহুমগী ফিরাল য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অমুবা লোগী মায়োক্তা লেপকদবনি হায়বগী খোঙজং চঙশিনখিবা অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জননা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# ওগষ্ট ১৩গী কন্সর্টতা চেন্নবশিং চৈরাক পীখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী পুৱারীদা ওগষ্ট ১৩ হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা নুমিৎনি। কুমজা ১৮৯১গী নুমিৎসিদা মণিপুরগী মপারি কোইরেং য়ুবরাজ (টিকেন্দ্রজিৎ), থাঙ্গাল জেনরেল, পুখ্রম্বম কজাও, নিরঞ্জন সুবেদার অমসুং চিরাই থাঙ্গালবু বৃটিশনা মখোয়গী মথক্তা লান হৌই হায়বগী মরালদা শিদ্রিবা ফাওবা ঙক্তা থৌরী য়ান্দুনা হাৎখি। নুমিৎ অসি পার্টিনা কুমজা ১৯৬৯দগী হৌদুনা মণিপুরগী পুৱারীদা য়াম্না মরু ওইবা নুমিৎ অমা ওইনা নীংশিংদুনা অথৌবশিংগী নুমিৎ হায়না হৌদোক্তুনা ঙসি ফাওবা মীৎকী পিগা ইরোয়ননা ঙমজবা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অসিগুম্বা নুমিৎসিদা হন্দক ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা খুমন লম্পাক্কী



ফুটবোল টর্ফ গ্রাউন্দদা লৈবাক নীংবা ঈশৈগী ওইবা ম্যুজিক কন্সর্ট অমা পাঙথোকখি। অদুগা নুমিৎ অসিগা হীরম অমত্তদা মরী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

# মণিপুর ষ্টেট আর্কাইবস মৃৎখ্রগদ্রা মীপাইবা পোক্লরে

নোমিতা খোংবান্তাবম

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস) :** চহী য়াম্লবা মণিপুরগী পুয়াশিং য়াওনা অরিবা রেকোর্দশিং খোমজিন-তাশিন্দুনা নীংথিজনা থম্লক্লিবা মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী মখাদা লৈরিবা মণিপুর ষ্টেট আর্কাইবস ঙসিদি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীরক্তবদগী মৃৎখ্রগদ্রা হায়বগী মীপাইবা পোক্লরে।

মণিপুরগী হৌরক্লোন য়াওনা য়েলহৌঙৈগী পুৱারীশিংগী খোঙ্গুল লীদুনা থিজিল্লক্লিবা মীওইশিংগী মনুংদগী ৱাহং কয়া হংনরকপদগী পাউচে অসিনা ৱাহং অসিগী পাউখুমগী লিখুন লীরুবদা লোয়শঙ অসিগী ষ্টাফশিংগী ফীভম পূক্নিং নুংশিনীংঙাই ওইবা মওংদা লৈরম্লে।

মণিপুরগী মরু ওইবা রেকোর্দ কয়া তুংশিন্দুনা থম্বগী থৌদাং লৌরিবা লোয়শঙ অসি চহী খরগী মমাঙদা লোয়শঙ অসিগী মকোক ওইরিবা দেপ্যুটি দিরেক্টর য়াওনা অপূনবা ষ্টাফ ২৪ লৈদুনা লোয়শঙ অসিনা তৌফম থোকপা থবকশিং তৌদুনা লাকখিবদু মাগী-মাগী সর্ভিসকী মতম লোইরদুনা থবক্তগী পোথানখিবদগী শুপ্নতগী ষ্টাফ ১২ খক্তমক লৈরম্লে।

হৌজিক লৈরিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২



দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইরিবী ৱাই য়াইমা

2-Days Orientation on
New Criminal Laws

17th & 18th August 2024
City Convention Centre, Imphal

TOPICS:
- Trial Procedure under BNSS
- Additional Offence under BNS and objective for the introduction of BNS
- Pre-trial procedures under BNSS
- Arrest, Seizure & Preliminary Enquiry under BNSS
- Changes, developments & challenges in Terror related offences in the New Criminal Laws
- Digital Evidence under BSA
- Review of BNSS Addition, Deletions & Modification

SCHEDULE:
17th August 2024 from 9.30 AM to 4.50 PM
18th August 2024 from 10.00 AM to 4.30 PM

The public may view the programme live on YouTube through the following link:
Day 1: https://www.youtube.com/live/qs2cXfbsTtY
Day 2: https://www.youtube.com/live/DDKQ89pTnx8

Organised by:
MANIPUR STATE LEGAL SERVICES AUTHORITY
&
DEPARTMENT OF LAW & LEGISLATIVE AFFAIRS, GOVERNMENT OF MANIPUR

HL-B-9005/17,18

# ইন্সটিট্যুট অমগী হেদ মাষ্টর ওইজরম্লবসু ঙসিদি ইমা লায়েংবা ঙম্নবগীদমক আইস ক্রিম য়োন্দুনা লৈরে : গোবিন্দ কোইজম

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
**হকথেংনবা পাউদম**
মোরেদগী খুঞ্জা

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস) :** মমাঙ চহীগী মে ৩দগী হৌজিক ফাওবদা লোইশিন্দ্রিবা লান অসিনা মরম ওইরদুনা লাঞ্জেল্লক্তুনা হৌজিক কোনুং মমাঙদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজ দা পিছ কম্মিটি ৱাংখৈ কেন্দ্রনা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবা মোরেদগী মশাগী চহী ৩৭ লোম শুরবা কোইজম গোবিন্দনা পাউচে অসিদা হায়, মমাঙঙৈদা কাঙলূপ অমগা অমগগী মরক্তা শাওনবা, উংখৎনবা অদুমক থোকই অদুবু অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্তুনা অমুক হিংমিন্নরকখিবা ঙাক্তনি। অদুবু হন্দক্কী ঈরাং



অসিদি অঙকপা থৌদোক অমনি হায়রদুনা ঈরাং অসি হৌরক্লিঙৈদা ঐহাক মোরেদা লৈবা ওল কম্যুনিটি ৱেলফ্যের স্কুলগী হেদ মাষ্টর ওইদুনা ইমুং পুজরকখি।

মে ৩, ২০২৩দা পিছ রেল্লি অমা চৎকনি হায়বা তাখি। রেল্লি হায়বসি করিগুম্বা ঐখোয়গী পেন্দবা লৈরবসু লৈঙাক্কী মায়োক্তা অদুম চৎনবনি খন্দোক্তুনা থোইদোকপা ফত্তবা ৱাখল খল্লুদে। কুকিশিংনা রেল্লি চৎপা নুমিৎ অদুগী অয়ূক পুং ৬তগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা টোটেল শটদাউন লাউথোক্তুনা দুকানশিং থোঙ লোন্নখি। নুমিৎয়ুংবা মতুং পুঙ্খায় অদুৱাইদগীদি শটদাউন হাংদোক্লরক্তুনা মহৌশাগুম দুকানশিং থোঙ হাংবা হৌনরকখি। অদুগা নুমিৎ অদুসু মোরেগীদি লাই হরাওবা লোইশিনবগী মুক্না পাঙথোক্কদবা নুমিৎসু ওইখি। মুক্না হায়বসি মীতৈগীদি লাই হরাওবগী মরু ওইবা শরুক অমনিনা য়েংনবা হোৎনখি। (মথং-মথং)